## দ্রগ য়োনবা...

*লমায় ১গী মখা...* য়োনবা এম দি বাসির (৩৯) গী য়ুমদা থি-হুন্বগী থবক চথুবদা য়ুম্বু বাসির অমসুং মহাক্কী লোয়নবী শজিতা (৩৩) ময়ুমদা লৈরমখিদে। অদুম ওইনমক দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট গ্রাম ৫৪গা হিরো হোন্দা এম এন-০১/দি-১৭৮৬দি মহাক্কী য়ুমদগী সিজ তৌরক্লে হায়রি।

## মিনিষ্টর ওইরম্বা ...

*লমায় ১গী মখা...* কারক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি স্পিকর অমসুং ফাইনান্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিং পায়বা মিনিষ্টর ওইরমখিবা হেনাম লোখোন ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা ফোইজিং অৱাং লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৯৪ রোম শুখ্রে। মহাক্কী মচানুপা ৬, মচানুপী ২ পূন্না অঙাং ৮গী মনুংদা ৩ লৈখিদ্রবা মতুংদা হৌজিক ৫ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী লৈহৌরি।

## শক্লাইরবা অইবা ...

*লমায় ১গী মখা...* হায়না লাউথোকখ্রে। ফাউন্দেশন অসিনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসি থা অসিগী ৩১দা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদবা টোসালি লিটরেচর ফেষ্টিবেল ২০২৬তা খূৎশিন্নগনি হায়রি। মনা অসিদা লুপা লিশীং ৫০ অমসুং সাইটেসন অমা য়াওরি। মহাক্না ইংলিস লোলদা শৈরেং ইদুনা লাইফ টাইম কন্ত্রিব্যুশন তৌরকপবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মনা অসি পীগদবনি হায়রি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী এদিশনদা ‘২৪শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল দা হুইয়েন লানপাউগী রিপোর্টর হেমচান্দ নিংথৌজমনা বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংলগনি’ হায়খিবদু ‘ফংলে’ হায়গদবনি। অদুগা ‘বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংলগদবা হেমচান্দ নিংথৌজমনা এক্ট তৌখিবা ইবুধৌ মাজিং পার্ফোর্মিং আর্টস সেন্টরগী দ্রামা ‘নুমিৎতুনা’ গী সিন অমা’ হায়বা ফোটোগী কেপশন অদুসু ‘বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংলবা’ হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক ঙাকপীগনি। -প্রুফরিদর

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 105.038900 |
| US Dollar | 90.304236 |
| British Pound | 121.180265 |
| Australian Dollar | 60.479027 |
| Chinese Yuan Renminbi | 12.959551 |
| Japanese Yen | 0.569533 |
| Malaysian Ringgit | 22.271339 |
| Singapore Dollar | 70.138078 |
| South Korean Won | 0.061534 |
| Saudi Arabian Riyal | 24.081130 |
| Thai Baht | 2.877791 |

**‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুন্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

**HL Poll**

Q : Chatliba January tha ashigi manungda centrena Manipurda Popular Government ama semhallakloi haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Manipur leingakna mayumda hongjilhanbagi akkanaba matam piraktabana IDPsing loina hongjilhankhiroi haibada langadra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- মীয়ামগী মতেং য়াওদনা ঐখোয়না করিসু ঙম্লোই।



- সারখোয়নফাও ঙমদ্রগা ঐখোয়না করি ঙমদৌরিনো?

# এম টি য়ুদা নুমিৎ ১০নি চখ্থগদবা দ্রোন টেক্নোলোজিগী ৱার্কশোপ-কম-ইন্টর্নশিপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):** মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) না য়ুনিভর্সিটি অসিগী আই ক্যু এ সী, এম ঈ সী ঐচ ক্লব অমসুং মহৈকোল অসিগী মৈ লাক এ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা চখ্থগদবা দ্রোন টেক্নোলোজিগী ৱার্কশোপ-কম-ইন্টর্নশিপ হৌদোকখ্রে।



মহৈকোল অসিগী কেম্পসতা হৌদোকখিবা ৱার্কশোপ-কম-ইন্টর্নশিপ অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী নোর্থ ইষ্ট সেন্টর ফোর টেক্নোলোজি এপ্লিকেশন এন্দ রিসর্চ (নেকটার) না সপোর্ট তৌদুনা পাঙথোকপনি।

নুমিৎ ১০নিগী থৌরম অসিদা দ্রোন টেক্নোলোজিগী মরমদা থিওরিটিকেল অমসুং প্রাক্টিকেল এক্সপোজরনচিংবা পাঙথোক্কনি। অদুগা মসিগী মনুংদা দ্রোন ফন্দামেন্টেলস, ওপরেশনেল সেফটি অমসুং রেগুলেটরি এৱেয়ার্নেসকী মতাংদা নুমিৎ মঙানিগী ত্রেনিং পাঙথোকপগা লোয়ননা অতোপ্পা নুমিৎ মঙানিদনা দ্রোন বেজ দাটা এক্যুজিশন প্রোসেসিং অমসুং এনালাইসিস য়াওনা সোসাইটেল এপ্লিকেশনশিং অমসুং রিএল-ৱর্ল্ড-ইঞ্জিনিয়ারিংগী মতাংদা তাকপী-তম্বীগনি।

মহৈকোল অসিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর দব্লিয়ু চান দবাবুনা হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরমদা ডা. মৈনম অনেভুশন, ডা. কে ঐচ গোপালকৃষ্ণ অমসুং ডা. এন ধনচন্দ্রনা কনভিনরশিং ওইখি। অদুগা তোঙান-তোঙানবা ইঞ্জিনিয়ারিং দিসিপ্লিনগী ফেকল্টি অমসুং মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিশনন গ্রুপ সী ১সুং দিগী পোষ্টশিংগী রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেশনশিং পাঙথোক্লগনি : রঞ্জিৎ

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):** নৌনা লিংখৎপা মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিশনগী অহানবা চেয়রমেন ওইনা সেপ্টেম্বর ২, ২০২৪দগী থবক পুবা হৌরকখিবা রিটাইয়র্ড আই এ এস, টি রঞ্জিৎনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা কম্মিশনগী টেম্পররি ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমী মীফমদা কম্মিশন অসিনা লৈঙাক্কী গ্রুপ সী অমসুং দিগী পোষ্টশিংগী রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেশনশিং পাঙথোক্লগনি। অদুম ওইনমক গেজেটেদ পোষ্টশিংগীদি রিক্রুটমেন্টগী থবকশিংদি মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিশননা পাঙথোকখিগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।





মহাক্না হায়, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এগজামিনেশনশিংবু কম্প্যুটর বেজ টেষ্টিং (সী বি টি) গী খূত্থাংদা পাঙথোকপদসু অয়াবা পীরে। হায়রিবা থৌওং অসি মণিপুরদদি অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবনি হায়রদুনা মসিনা হ্যুমেন ইরর অমসুং মেনিপ্যুলেশনগী থবকশিং চথুহনবা ঙমহল্লোই হায়খি।

কম্মিশন অসিগী মায়কৈদগী মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ (এম টি এস) কী রেগুলর পোষ্ট ১০ রোম লৌনবগী অহানবা ওইনা রিক্রুটমেন্ট নোটিফিকেশন থোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি। রিক্রুটমেন্ট অসিগীদমক ওনলাইন এপ্লিকেশনশিং অয়ুক পুং ১০দগী হৌরদুনা কম্মিশনগী ৱেবসাইটকী খূত্থাংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়খি।

## মণিপুরদা য়াম্না চাউনা...

*লমায় ১গী মখা...* পাঙথোক্তুনা অনৌবা লৈঙাক শেম্বা নত্তনা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙম্লোই। মথং থাগী ১৩দা প্রসিদেন্টস রুলগী মতম চহী অমা মপূং ফারগনি। মসিগী মতুংদদি কন্সটিট্যুশনগী মতুংইন্না মখা তানা এসেম্বলি লৈবা য়াররোই। অদুগা হৌজিক লৈরিবা এসেম্বলি অসিসু হিংলিব্রা নৎত্রগা শিরব্রা হায়বগী মতাংদা কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস লৈরে। পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী তঙাইফদবদি লৈ অদুবু শেম্লক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈতে।

পি আর লৈঙাক্না আই দি পিশিংবু তাঙ্কক অহুম থোক্না মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহনগনি হায়বগী থাজবা পীখিবদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। মরম অসিনা এসেম্বলি মূখৎলগা অনৌবা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবা মথৌ তারে হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি হৌদোকখিবা এ আই সী সীগী নেশনল স্পোক্সপর্সন টেলেন্ট হন্টকী থৌরমসিদা মণিপুরদগী মতিং লৈবা নহাশিং খল্লগা ষ্টেট অমদি নেশনগী থাক্তা ৱাঙাঙলোই ওইহনবা, পেনেলিষ্ট ওইহনবা, রিসর্চ কোওর্দিনেটর অমদি পব্লিসিটি কোওর্দিনেটর ওইদুনা মণিপুরগী ইস্যুশিংবু মীয়ামগী খোল্লাও ওইনা পুখৎপগা লোয়ননা নেশনল স্পোক্সপর্সন ওইহন্নবগী পান্দম থল্লি। মসিদা ফৃরুপ পূম্নমক্কী চহী ১৮ শুরবা নহাশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না মহাক্না অমুক হন্না আপীল তৌখি।

## ভি দি এফশিংগী থাগী রিম্যুনরেশন ...

*লমায় ১গী মখা...* হেনগৎহল্লক্লিবা চাং অসি স্কিল, লেবর, এমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রাইজেস দিপার্টমেন্টনা নোটিফাই তৌবা মিনিমম ৱেজেসকী চাংদনি। হেনগৎহল্লক্লিবা রিম্যুনরেশন অসি চৎলিবা থা অসিগী ১দগী হৌরগা পীরগনি। লোয়ননা চহী খুদিংগী ওইনা চহী অমগী সর্ভিস মপূং ফানা তৌরবা মতুংদা লুপা ৫০০গী ইনক্রিমেন্টসু পীরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ভি দি এফ পর্সনেলশিংনা মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিং তকশিন্দুনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা হয়েং ইম্ফালদা মখোয়গী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়দুনা শেম শাখিবনি।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অসিগী মতাংদা প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী প্রেস মীটতা প্রসিদেন্ট এস সঞ্জিৎনা হায়, দিসেম্বর ২৩, ২০২৫দগী এসোসিএশনগী সেন্ত্রেল কম্মিটিনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা ঙসি নুমিৎ ২৪নি শুরে। অদুবু ঙসিদি মরী লৈনবা লোয়শঙনা তাবীদুনা ওর্দর অসি থোকপীরক্লে। মসিগী নুংঙাইবা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ভি দি এফশিংগী ৱাকৎ তাবীবা লোয়শঙবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা সপোর্ট তৌবীরকখিবা লূপশিংবুসু তৌবীমল খঙবা উৎখিবগা লোয়ননা ভি দি এফশিংগী খোঙজং ঙসিদগী হন্দোক্লগা হয়েংদগী মহৌশাগুম্না মথৌ পাঙথোকপা হৌরগনি হায়খি।

# বোর্দর ফেন্সিংগী থবক কৈবু-কৈওইবগী হোত্রোং হোবা...

*লমায় ১গী মখা...* মমাঙদসু মোরে পি এসনা কোনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৭কী মনাক্তা খাবা ঙমখৈগী শম্বলগী য়োৎকী য়ূম্বী ১৫ ককথৎতুনা হুরানখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবকশিং হন্দক্তসু মিনিষ্ট্রি অসিগী বোর্দর মেনেজমেন্টকী সেক্রেটরি ডা. রাজেন্দ্রকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিল্লমখিবনি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পায়খৎলক্লিবা ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক্তা ঙাইহাক লৈতনা অকাই-অতোই থোকহল্লকপগী মায়োক্তা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেশনশিংনা কেসশিং লৌখৎলগা থিজিনবগী থবক চথুরে হায়রবসু ঙসি ফাওবদা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফা-পুনবা অমদি মখোয়না হুরানখিবা শম্বলগী শরুকশিং রিকোভর তৌবা অমসুং শম্বল থুদেকপদা শীজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎপগী থবক্তি লৈত্রিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মোরে পি এসকী জ্যুরিসদিক্সনদগী হৌরগা মোলচাম পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন ফাওবগী মনুংদা খাবা ঙমখৈগী শম্বলশিং ককথৎলগা হুরানখিবা অমসুং অমাঙ অতা থোকহল্লক্লিবা অসি মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না সূ তৌনরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা য়াওদবা অদুগা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লান অসিগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর এরিয়াদা কুকি-জোশিংনা নৌনা শেম্বা ভিলেজ ভোলন্টিয়র ইষ্টর্ন জোন (ভি ভি ঈ জেদ) হায়না মিংথোনবা অমসুং ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি নেশনল আর্মি-বি অমদি তমু এরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা পিপলস দিফেন্স ফোর্স (পি দি এফ) কা খূৎশম্নরগা চথুরকপা ওইরমগনি হায়বগী থাজবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

মরমদি মিলিটেন্টশিং অসিনা ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবদা খুদোংচাদ্রবা মতমদা মণিপুররোমদা অমুক চেনশিল্লক্তুনা লৈবা য়ানবা অদুগা ম্যান্মারদসু অমুক চঙশিন্দুনা মখোয়গী এক্টিভিটিশিং চথুবদা খুরৌ থাংদনবা থৌওইনা শম্বলশিং অসি লৈহন্দনবা হোৎনরকপা ওইগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মে ৪, ২০২৫তসু চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু সোমতাল এরিয়াদা ম্যান্মাররোমদগী অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় মতিক চানা পায়বা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি-জোগী মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিল্লকপদা অসাম রাইফলসকী খূৎপু অমগা খূৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট ১০ শিখিবনি। মখোয়দগী এ কে ৪৭ রাইফলস ৭, এম ফোর রাইফল অমা, আর পি জি লোঞ্চর অমা, সিঙ্গল বেরেল ব্রিটচ লোদিং রাইফল মরি য়াওনা অতে খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংখিবনি।

থৌদোক অদুদা এ আরগী খূৎতা লৈখিদবা মিলিটেন্টশিং অদু ম্যান্মারগী মীওইশিং ওইবনা থৌদোক থোকফমবু কোল্লিবা মোলচাম পি এসতা এ আরনা খূৎশিন্নখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

# ‘স্কাই হোস্পিটাল’ অসি মীওইববু কন্নবা লাইনা থারকপা...

*লমায় ১গী মখা...* ৱাফম অসি ঙসি রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালনা শীন্দুনা চীংমৈরোংগী হোটেল ক্লাসিকগ্রান্দেগী ইম্পিরিএল হোলদা লায়েংশঙ অসিনা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মায় পাক্লা চহী ১০ হার্ট ক্যের সর্ভিস পীরকপগী থৌরম পাঙথোকপদা এম পিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা লায়েংশঙ অসিগী চেয়রমেন অমসুং চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. শ্যামকিশোর অমদি চীফ কার্দিয়াক সর্জন ডা. অজয় কাওলনা মথংশিংনা ময়ায় তাংবল অমসুং অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌরমগী মনুং চন্না সোভিনিয়র অমসু ফোঙদোক্লদুনা এম পিনা মখা তানা হায়, থবক অমা তৌবদা নুংঙাইফম খঙদবা, অয়েৎ-অপন, থৌদোক-ৱাথোক য়াম্বা ষ্টেটসিদা চাওখৎপনা খম থেংলবা লন্দন থাদোক্লক্লগা লমদমসিদা লাক্তুনা মীয়ামদা অনা-লায়েংগী সর্ভিস পীরবা হায়বসি চাওথোকচনীংঙাইনি। লন্দন থাদোক্লক্লগা ইরমদমসিদা হল্লক্তুনা খুন্নাই অসিগী থৌদাং লৌরবদা মরৈবাক নীংবগী চপ চাবা মতিক ময়াই য়াওরি। অসিগুম্বা ফিরেপ অসি তমজনীংঙাইনি। শিনফম অমদা ওইরবসু লৈবাকপু নুংশিবগী ঈচেল অমা য়াওরগা থবক তৌরিবা মীওই অদুতনা খুন্নাইদা মকোক থোংনা থবক তৌরক্কনি। লায়েংশঙ অসি ইরমদম অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীয়াম্বু কন্ননবা থারকপা লাইশঙ অমনি অদুগা স্কাই হোস্পিটালদা থবক তৌরিবা ডাক্তর, নর্স অমদি সর্ভিস পীরিবশিংনা লাইশঙ মনুংদা লৈবা লাইগুম্না লৌই। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী নহাশিংদা হার্টকী অনাবা হেনগৎলক্লিবা অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবসু মথৌ তারে হায়খি।

অমরোমদা, ডা. শ্যামকিশোরনা হায়, ইরৈবাক্লা তত্তনা কৌরকপদগী লন্দন থাদোক্লক্লগা কথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়াম্বু লায়েংনবা লাকপনি। স্কাই হোস্পিটালনা মীয়ামদা মরু ওইনা হার্টকী হেল্থক্যের সর্ভিস পীরকপা চহী ১০ রোম শুরে। কুমজা ২০১৫দা লায়েংশঙ অসিনা মণিপুরগী অহানবা ফুল ফ্লেজেট হার্টকী হোস্পিটাল ওইবা ঙমখি। লমদমসিদা কথোকপগা লোয়ননা মীয়াম্বু লায়েংখিগনি। লায়েংশঙ হায়বসিদি মীওইবগী পূন্সি কনফমনি। অনাবা লায়েংবদা ফৃরুপ কাঙলূপ খায়দোক্তে, ডাক্তরগী য়েক্লবা লৈতে অদুবু খুন্নাইগী থৌদোক ৱাথোক থোরকপা মতমদা অনা লায়েংদা চৈথেং নংদবদি নত্তে হায়রদুনা কুমজা ২০২৩দগী ঈরাং হৌরকপা নুমিৎতা লায়েংশঙ অসিদা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমদি মিজোরামগী পেসেন্ট কয়া অমা লৈখি। মখোয় পূম্নমক তেক্ত-কায়দনা মশাগী ময়ুমদা য়ৌহনখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

HL-B/11065/25

## প্রোফেসর জোন পরাট্ট লৈখিদবদা মণিপুর ইন্টরনেশনল য়ুথ সেন্টরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগা পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা শাগোন্নরকখিবা শক্লাইরবা হিষ্টরিয়ন অমসুং একাদেমিসিয়ন প্রোফেসর জোন পরাট্টনা থা অসিগী ১দা লৈখিদবদা মণিপুর ইন্টরনেশনল য়ুথ সেন্টরগী সেক্রেটরি (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্স) হিদংময়ুম দেবদত্তগী চেরোল অমনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবগী লোয়নবী সরোজ নলিনি অরাম্বম পরাট্টনা জন্যুৱারী ৬, ২০০৯দা লৈখিদবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা প্রোফেসর অসি য়ুনাইটেদ কিংদমদা পুৱারী অমসুং লাইনীংলোলগী ষ্টদিদা সিনিয়র ফেকল্টি মেম্বর ওইনা থবক তৌরম্মী। ওজা ওইবদা নত্তনা রিসর্চর অমসু ওইখিবা প্রোফেসর অসিনা মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা মীৎয়েং থমদুনা ‘ক্বিন ইমপ্রেস ভর্সেস টিকেন্দ্রজিৎ, রুন্দেদ লেন্দ : পোলিটিক্স ইন আইদেন্টিটি ইন মোদর্ন মণিপুর অমসুং রিলিজন এন্দ কলচরেল মণিপুর হায়বনচিংবা ইরমখি হায়রি।

## ডা. ইবেমহল লৈখিদবদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোল (এল সী আই) দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা ক্লব অসিগী চার্টর মেম্বর নম্বর ২৬৭৯৭১১ লায়ন ডা. ঐচ ইবেমহলনা লৈখিদবদা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংন-চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখ্রে হায়রি।



লৈখিদ্রবী অসি কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়দগীনি। মহাক থা অসিগী ১৩দা লৈখিদবনি।

## কে এন এফকী মথক্তা কেস...

*লমায় ১গী মখা...* খঙনবা থাংবোই/হাওগেম্থাং কিপগেননা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংদা কিহন-খংহনবা থৌওংশিং চথুরম্মী হায়দুনা খুল অসিগী খুঞ্জা মলাংমৈ ইলাইয়া লেংমৈ (৩৬), অপোকপা শেম্পু মলাংমৈনা ৱাকৎলকপদগী ঙরাং পি এস অসিনা বি এন এস-২০২৩ অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সনশিংগী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২(১)২০২৬ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

অদুম ওইনমক কেস অসিগা মরী লৈননা মীফা-মীপুনগী পাউদি ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা তাখিদে।

## শীংজমৈ কৈথেলগী অকোয়বদা...

*লমায় ১গী মখা...* স্কুল অমদি কোলেজ তল্লিবা মহৈরোয়শিংদা শীংজমৈ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবীগনু। ডাক্তরগী অইবা চে য়াওদ্রগদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা হীদাক লাংথকশিং পীবীগনু। মসিগী মথক্তা ক্বা জর্দা, খৈনি, তলবনচিংবসু অঙাংশিংদা য়োনবীগনু অমদি অঙাংশিংগী মমাঙদা য়ু থকপীগনু, ক্বা জর্দা, খৈনি অমদি তলবনচিংবা চাবীগনু হায়বগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়খি।

## ওইল পম্পতা বোম পোকখায়হনবদা...

*লমায় ১গী মখা...* মঙোন্দগী মেগজিন মরি, মরূ ১০৭গা কোন্ননা এস এম জি কর্বাইন অমা, মেগজিন অমা মরূ ৫গা কোন্নবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, পোইন্ট ৩৬কী হেন্দ গ্রেনেদ অমা, দিটোনেটর অনী অমসুং হোন্দা এক্টিভা অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা, পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙরাং পুলিসনা লংথবাল কুঞ্জ মমাঙ লৈকায়দগী নিংথৌখোংজম সুসিল এলিয়জ কংলা এলিয়জ ঈশিংচাউবা (৪৭) কৌবা কে সী পি - পি দব্লিয়ু জিগী কাদর অমা মহাক্কী লৈকায়দগী ফারে হায়রি।

# জন্যুৱারী ২৬কী মমাঙদা অনৌবা লৈঙাক...

*লমায় ১গী মখা...* ঙমদে। মসিগী মতাংদদি সেন্টরগী হায় কম্মান্দনা লৌরক্কদবা ৱারেপনি। অদুবু জন্যুৱারী ২৬কী মমাঙদদি লৈঙাক অমা লৈরগনি হায়বা থাজজে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পাৎশোই এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিং মথং থা ফাওবদা কোয়লাস থাদবা লম্বেল অমত্তা লৈহল্লরোই। মতমসি ফাওবদা লম্বী কোয়লাস থাবগী থবক লোইশিনবা ঙমদ্রবদি মীয়াম্না ঐবু খ্বাইদগী মতিক চাদবা এম এল এনি হায়না লৌরবসু য়াই হায়খি।

হৌজিকমক লম্বী ৫/৬তা কোয়লাস থাবগী থবক ৱাৎলি। হায়রিবা লম্বীশিং অসি নহান্না চহী অমগী মমাঙদা লোইশিনবা য়াবনি অদুবু লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভমসিনা অয়েৎ অপন লৈবনা ঙমখিদবনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক প্রসিদেন্টস রুল লৈরবসু পাৎশোই এ সীগী লম্বীশিং রুটিন ওইনা শেম্বগী থবক চথুরি হায়খি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২দা পাঙথোকপা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীখল মতুংদা চহী অদুগী থংনবা থা মার্চতগী লিংলকখিবা লৈঙাক অদুবু লুচিংলকখিবা বিরেননা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌখিবদগী থা অদুগী ১৩দগী এসেম্বলিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরকখিবনি। অহানবা থা ৬কী মতম মপূং ফানা লোইশিনখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা থা ৬ অমগী মতম শাংদোকহল্লক্তুনা মথং থাগী ১২দা পি আর লৈঙাক অসিগী মপূন্সি চহী অমা ফারগদবনি।

# হৌজিকমক্কী ওইনদি শোয়দনা লৈঙাক...

*লমায় ১গী মখা...* কাউথোক্লরগা মতৌ করম্না তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহনগদগে হায়বরোমদা চঙশিনমিন্নবা চুমগনি। লৈকায় অমগী ক্লব হায়বসি গ্রাসরুট লেভেলদা থবক তৌবা ইনফ্লুএন্সেল ওইবা মীয়ামগী ইন্সটিট্যুশননি। লৈকায় অমদা লৈরিবা অঙাংশিংবু অফবা মায়কৈরোমদা লমজিংবীবদা ক্লবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। অদুবু লাইবক থীবদি খুন্নাইসিদা হরাও কুম্মৈ নৎত্রগা লৈবাক্কী ঈরাং অমা থোরকপদা মীপূম খুদিংমক মতম চানা য়ৌরকই অদুগা চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা করিগুম্বা খরা খন্নসি হায়রবদি মতম চানা পূনবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। হৈনবী অসি ঐখোয়না অথুবা মতমদা শেমদোকপা চুমগনি। লৈবাক্কী অরুবা ৱাফম খন্নবা নৎত্রগা থবক অমা পাঙথোকসি হায়রবদি ঐখোয় পূন্না থবক তৌমিন্নবগী হৈনবী হান্না থমগদবনি। মতমনা হোংলকপগা ইরোয়ননা ঐখোয়সু হোংদোকহল্লগা তন্থদনা মীয়ামগী থবক পাঙথোকমিন্নরসি হায়খি।

**REQUIREMENT / SHIN & SAN**

Cafe & Restaurant

1. Head Manager (M/F) - No. : 2 Salary 30K-47K
2. Chef - No. : 2 Salary 19 - 25K
3. Assistant Cook - No. : 2 Salary 12 - 17LK
4. Steward (M/F) - No. : 4 Salary 7 - 11 K
5. Bartender - No. : 2 Salary 9 - 11 K

*Date of Interview : 17th Jan. 2026 at 10 am.*
*Near Kasturi Bridge*

HL-P/4805/15, 16 Jan. **Contact No : 6009355034**

रा.इ.सू.प्रौ.सं NIELIT IMPHAL
MINISTRY OF ELECTRONICS AND INFORMATION TECHNOLOGY

National Institute of Electronics & Information Technology (NIELIT) - Imphal
(A Constituent Unit of NIELIT Deemed to be University)

मेगा रोजगार मेला
**MEGA JOB FAIR 2026**

20TH JANUARY, 2026
10:00 am - 04:30 pm
Location NIELIT IMPHAL, AKAMPAT



https://forms.gle/hzakBNmKgf3QpTCf6

Registered Firm/Industries:
Information Technology, Educational Institutes, Business Establishments, Insurance Companies, Industries, Motors Dealers, Hospitals/Clinics, Bank, etc.

REGISTER NOW

More information :
9856688876 ntabasana@nielit.gov.in

HL-P/4826/16

ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012

**GLOBAL SPOKEN ENGLISH & COMPUTER**

Paona Bazar, Behind Pologround, Gourahari Market, Near Hotel Krishtina

ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH

Online or Offline Class Available
For the Students of Class V to IX and Seniors
SPECIAL CLASS FOR ONE OR TWO PERSONS ONLY

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups & special class for only one person
For Senior, College and University Students
Grammer, Pronunciation, Vocabulary, Group Discussion, Public Speaking.

Class Timing
07:00 am
08:30 am
11:30 am

COMPUTER COURSE
BCC, CCA, DCA, DTP, CCP, Tally with GST, Data Entry, Multimedia, Office Automation, Graphic Designing, Business Package Etc.

INSTRUCTORS:
Sir Tejkumar (Teaching Since 1987) (+91 8132904426)
Miss Alice Thokchom (M.A. English) (+91 7005847722)